
# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ






ঐখোয় অয়াম্বনা খঙলে মদুদি চাকপা হৈগ্রু হায়বসি সেন্টিমিটর ৩০ রোম ৱাংবা হৈগ্রু পাম্বীগী মনাগা মওং মান্নবা অথোৎপা পাম্বী মচা অমনি। চাকপা হৈগ্রু পাম্বী অসি মখল অনী থোক্লা লৈ। মখোয়শিং অদুদি চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী অমসুং চাকপা হৈগ্রু নাকোইবী অসিনি। হায়রিবা পাম্বী অনী অসি করিদা খেন্নবগে হায়বসি মীয়াম্না পাক খঙবা ঙমদে। বোটানিগী লমদা খঙ-হৈরবা মীওইশিংনা ফাওবা পাক হেক্তা হায়বা ঙমদে। হায়রিবা পাম্বী অনী অসি হেক য়েংবদা য়াম্না মান্নে অমসুং অয়াম্বা মতমদা পাম্বী অনী অসি অমত্তনি হায়না হায়নৈ। পাম্বী মখল অনী অসিগী থোইদোক্লা খেন্নবা হায়রগদি চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী অদুগী এপেক্স (Apex) হায়বদি মতোন অদু য়াম্না তেন্না খঙতুম তুমগনি অদুগা চাকপা হৈগ্রু নাকোইবীদনা মনাগী মতোন অদু ইলিপটিক হায়বদি কোইশাংনগনি। মসিগী মথক্তা চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বীগী ষ্টেম (Stem) হায়বদি মখোক অদু নাপু মচুদা ঙাংতক তৌই অদুগা নাকোইবী পাম্বীদনা মখোক অদু ৱাওতক তৌনা শংই।

চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বী অসি ইংলিসতা কমন লিফ ফ্লোৱার (Common leaf flower) নৎত্রগা চেম্বর বীতর (Chamber bitter) নৎত্রগা সেক্তরষ্টোন (Shatterstone) নৎত্রগা ষ্টোন ব্রেকর (Stone breaker), হিন্দীদা হজারমনী (Hajarmani) নৎত্রগা লাল ভুইনানৱালা (Lal bhuinanwalah), বেঙ্গোলিদা হাজারমনি (Hazarmani), নেপালিদা কনথাদ (Kanthad), সংস্কৃততা ভুমিআমলাকী (Bhumyamalaki), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ফাইলান্থস য়ুরিনারিয়া (Phyllanthus urinaria Wall. non Linn.)* নৎত্রগা *ফাইলান্থস কেন্তোনেন্সীস (Phyllanthus cantoniensis Hornem)* হায়না কৌই অমসুং *য়ুফোরবিয়েসী (Euphorbiaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বী অসি ফ্রেন্সতা ফাইলান্থী দায়ুরেতীক (Phyllanthe diuretique), চাইনিজদা য়ে শী জু (Ye xia zhu), স্পেনিষ্টতা ফ্লোর এসকোন্দিদা (Flor escondida), ব্রাজিলদা ইরভা-পোম্বীনহা (Erva-ponbinha), ইন্দোনেসিয়াদা মেমেনিরান (Memeniran), ইন্দোনেসিয়াদা মেনিরান (Meniran), জাপানিজদা কো-মাকানসৌ (Ko-makansou) নৎত্রগা কোমিকান্সো (Komikanso), মলেসিয়াদা দুকোং-অনাক (Dukong anak) নৎত্রগা কেমান জোলোক (Keman jolok), ফিলিপিন্সতা এপোয়-এপোয়ান (Apoy-apoyan) নৎত্রগা পায়োঙ (Payong ) নৎত্রগা তাকুম-তাকুম (Takum-takum) নৎত্রগা তুরুতালিকোদ (Turutalikod) হায়না কৌই।

Pancho অমসুং Obien না কুমজা ১৯৯৫ দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বী অসি খরা শারপ তৌবা এসিয়াগী ট্রোপিকেলগী লমদমশিংদগী হৌরকখিদুনা মালেমগী ট্রোপিকেল অমসুং সব-ট্রোপিকেলগী অয়াম্বা মফমশিংদা শন্দোক্তুনা পাক শন্না হৌখরে। ভারত, বাংলাদেশ, ভুতান, চাইনা, কম্বোদিয়া, আন্দমান নিকোবরগী ঈথৎশিং, ইন্দোনেসিয়া, জাপান, কোরিয়া, লাওস, মলেসিয়া, ম্যান্মার, ফিলিপিন্স, শ্রিলঙ্কা, তাইৱান, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামদা চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী অসি মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বী অসি সমুদ্র ঈমায়দগীনা মিটর ১৮০০ ৱাংবা অদুগা নোংনা চহীদা মিলিমিটর ২৭৫ দগীনা মিলিমিটর ২৫০০ ৱাংবা মফমশিংদা য়াম্না চশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। লৈবাক কয়ামরুমদদি চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বী অসি ৱীড  হায়বদি হাজোংবা পাম্বী অমনি হায়না লৌনৈ।  মহৈ-মরোং অমসুং মনা-মশিং থাবা মফমশিংদা পাম্বী অসিনা য়াম্না পাক শন্না হৌজিনখিবদগী মনা-মশিং অমদি মহৈ-মরোংদা পোৎথোক য়াম্না হন্থহনবগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসিগী স্পেসিসকী (Species) মমিং য়ুরিনারিয়া হায়না থোনখিবগী মরমদি পাম্বী অসিদগী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথকপদা ঈশিং মরী অমদি কিদনিদা লৈবা নুঙ (Calculi) অদু মচেৎ মচেৎ কাইহন্দুনা হক্কী ঈশিং চৎপদা মপান্দা পুথোকখিবা ঙম্মী হায়না লৌনবদগীনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা কিদনি নাবা অমদি হেপাটাইটিসকী লায়না অসি ফিলিপিন্সতা লায়েংনৈ। চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বীদা য়াওরিবা ফাইলান্থিন (Phyllanthin) হায়রিবা কম্পাউন্দ অসি মীওইবগী লায়না মখল কয়ামরুম ফহনবা ঙম্বা মরম্না পানাসিয়া (Panacea) অমনি হায়না লৌনৈ। চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বীদা Astragalin, Isoquercitrin, Quercetin অমসুং Rutin হায়রিবা কম্পাউন্দশিং অসি চাং ৱাংনা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ। চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বীদা পোটাসিয়মগী চাং অসি য়াম্না ৱাংনা য়াওবা মরম্না ঈশিং য়াফম তৌবা অসিদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী। পাউদমশিংগী মতুংইন্না ইন্দোনেসিয়াদদি চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বী অসি অরুম লাইহৌ তৌবা, খোঙ হামথবা, অঙাং য়ৈথবা, ফিঙৌ চৎপা, বেক্টিরিয়ানা থোকহনবা হকতিন্নবদগী শন্দোক্লবা ফিনুংগী লায়না অরসি লায়েংবদা শীজিন্নৈ হায়না শোর্জানি অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৮৭ তা পাউদমখি। ঈশিং মরীদা নুঙ লৈবা (Calculi) অমসুং হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না শারবদি চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বী অদু শেংনা ঈশিংদা চামথোক্লগা গ্রাম ৩০ মুক্কী চাংদা লৌরগা ঈশিং লিটর অমদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অনীগী চাংদাংদা নুমীৎ ১০ নিরোম চাং নাইনা পীথকপদা নুঙ অদু মচেৎ মচেৎ কায়দুনা হক্কী ঈশিং চৎপদা মপান্দা পুথোকহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমশিং লৈ। চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু অশোক অপন তৌবগী চৈনা অদু হন্থহনবা ঙম্মী হায়না সন্তোস অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ১৯৯৫ দা পাউদমখি। জুরাইহাননা কুমজা ২০০২ দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বীদা কেন্সর মখল খরা মপুং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই হায়না পাউদমখি। নুপীনা অঙাং হেক উন্নরবা মতুংদা কোক ঙাওরবদি চাকপা হৈগ্রু নাতুমবী পাম্বী অদু পোপলি পোপলি শুগাইরগা কোক্তা অমদি লাইবক্তা থোমদুনা থম্বদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। চেকশিনবীগদবদি চাকপা হৈগ্রু নাতুম্বী পাম্বী অসি চাং য়াম্না হেন্না শীজিন্নরবদি হকচাংদা অমাঙ অতা থোকহনবগী ওইথোকপশিং লৈ হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মত পীরি।

# ওক্টোবর মাস রেল্লি ২০১৮

**য়ুনাইটেদ** কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না মণিপুর মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওক্টোবর মাস রেল্লি ২০১৮ তঙাইফদ্রিবা করিগীনো?

হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা য়ানচে ইনখিবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি এন এস সী এন (আই-এম) গী ফ্রেমৱার্ক ওফ এগ্রীমেন্টনা মখোয়গী য়ানখিবা ৱাফম মণিপুর মীয়ামদা খঙহন্দনা অসুক শাংখ্রবা মতম অসি থমদুনা লাকখি। এগ্রীমেন্ট অদুগী মনুংদা য়ানরিবা ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা করি য়াওবগে হায়বা অসি য়ু সী এম অমদি মণিপুর মীয়াম্না খঙনীংদুনা লাক্লবসু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা খঙহন্দনা লাকখিবা অদুগী মায়োক্তা য়ু সী এমনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা লাউদুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ১৫দা দিল্লিদা অপূনবা সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং য়াওদুনা য়ু সী এমগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা আর এন রবি য়াওনা মরী লৈনবা লুচিংবা কয়াগা উনদুনা মণিপুর মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমদি অপাম্বশিং ৱারী শাদুনা অমদি মেমোরেন্দম ওইনা পীশিন্দুনা খঙহল্লমখি।

উনবা অদুদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মশানা হায়রকখিবা ৱাফমদি চত্থরিবা পিছ টোক অসিনা মণিপুরগী ঙমখৈদা অকায়বা পীরোই, আর এন রবিনা হায়রকখিবদা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসিদা মণিপুর হায়বা ৱাহৈ অমা ফাওবা য়াওদে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লকখি। অদুবু, হায়রিবা ৱাফমশিং অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ঙসিদি তাঙান-তোঙানবা রিপোর্টশিং নেসনল মিদিয়া য়াওনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিএল দোকুম্যেন্ট পি এস সীগী ২১৩শুবা রিপোর্টনচিংবশিংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং কূপ্না য়েংশিল্লুবা মতমদদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এন এস সী এন (আই-এম) বু থেম্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী চহী ২০০০গী অপূনবগী শক্তম অসি মওং অমা নৎত্রগা মওং অমদা শিংনদুনা অকায়বা খরদি পীননবা হোৎনরে হায়বা অসিদি ময়েক শেংগৎলক্লি।

মতম মতমগী মতুং ইন্না মণিপুরদা অকায়বা পীবা য়াবা ৱাফম কয়া অমা পিছ টোক অসিগী থৌরাংগী শরুক ওইনা অসুম অসুম য়াওশিল্লক্তুনা নেসনল মিদিয়াশিংদা ফোঙদোক্লকপা মতমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থৈদোক-থৈজিন তৌদুনা হোৎনরম্লবসু হৌখিবা জুলাই থাগী ১৯দা লানখৎখিবা 213th Report of Parliamentary Standing Committee (PSC) on Home Affairs, Govt. of India অসিদা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীমক্তা ওফিসিএল ওইনা লৈখ্রবা রিপোর্ট অমনি। মসিদা য়াওরিবা অরানবা ৱাফমশিং অমদি মণিপুরগী মীয়াম্না য়াখিদ্রবা ৱাফমশিং অদু করিসু নাচুংদনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা অতম্নর্না মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অসিদা শিংনবা ৱাফম কয়া য়াওরক্লে। মরুওইবা খরা পল্লবদা :-

১) মণিপুরগী অপূনবা লমগী শরুক্তা মীতৈনা ২৫% খুন্দা লৈতাদুনা লৈ অমদি হায়রিবা লম অসি খ্বাইদগী লৈহাও ফবা অমদি খুদোংচাবা মফমনি। (অরানবা রেকোর্দনি ৮%তনি)।

২) মণিপুরগী নাগানা তারিবা মফমশিং অসিদা নাগালেন্দদা চৎনদুনা লৈরিবা আর্টিকল ৩৭১ (এ) অসিগা মান্নবা স্পিসিয়েল ষ্টেটস অমা পীদুনা মখোয়গী ওইবা লৈঙাক অমা লৈহঞ্জনবা য়েংশিল্লি।

৩) মণিপুরগী নাগাশিংগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিঙৈ অসিদা কুকিগীসু মান্ননা য়েংশিল্লগা মখোয়গী পোলিটিকেল দিমান্দ অসি লোইশিন্নবা হোৎনহৌবা ফগনি।

৪) মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা সিক্স সেদ্যুল চৎনহনবা য়াগনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০০১দা হায়রল্লিবা অদুদা লোকল এদজষ্টমেন্ট অদু করিনো হংদুনা য়েংশিল্লগা থবক পায়খৎনবা হোৎনবা ফগনি।

৫। মণিপুরগী মফমশিংদা অহেনবা সিক্যুরিটি দিপ্লোই তৌবা অমদি ইন্টিলিজেন্সকী থবক কনখৎহন্দুনা নাগা পিছ একোর্দ অসিগী ৱারোইশিন লাকপা মতমদা ৱারোইশিন অসিবু কাঙলূপ খরনা মাঙহন্নবা হোৎনরিবশিং অদুদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি।

৬। ষ্টেট বাউন্দরিদি অহোংবা লৈরোই অদুবু কাঙলূপ কাঙলূপকী তোখাইবা লৈঙাক থৌশিল লৈহন্নবা হোৎনগনি, নাগানবু হেক খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা মফম খুদিংমক্তা মখোয়গী অখন্নবা থৌরাং তৌগনি।

৭। নাগাগী ৱারোইশিন অসিনা নাগালেন্দগা য়ূমথংনরিবা ষ্টেট অহুম অসিদা করিগুম্বা খরদি অদুম চেন্নরগনি।

৮। চত্থরিবা ৱারী অসিগী মতাংদা য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিংগী মীহুৎশিংদা পাউ ফাওদোক্লদুনা চৎপা হায়না হায়জরবসু ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী সী এম হীরম অসিগী মতাংদা করিসু খঙহন্দনা অদুমক লৈহল্লি।

৯। মণিপুরগী হিষ্টরিগী শরুক ওইনা লৈরিবা মণিপুরগী নাগাগী পুৱারীবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অতম্নর্না তোপ-তোপ্পা নাগাগী পুৱারী মশক খঙলে হায়না হায়জিনখিদুনা লৈপাক অনী লৈবা মালহনখিবা।

১০। নাগা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন ওইরকপা য়াবা পামদবা ফীভম খুদিংমক থেংননবা শেম শাদুনা লৈবা।

হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসি হায়দে হায়না চেনবা য়ারোইদবা ফীভমদা হৌজিক্তি মীয়াম মাঙদা তাদুনা লৈরে। লোয়ননা নাগা পিছ টোক অসিগী মচং ওইবা ৱাফম খুদিংমক লোইদুনা ৱাফম অমা অনীখক্তদা পন্দুনা লৈবনি হায়না ইতৎ-তত্তনা আর এন রবিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিনা মণিপুরগী মীয়াম অসি তান্নদনা অদুম্মক মণিপুরগী লম অসি নাগাগী লম অমা শেত্তোক্তুনা পীথোক্লবা হোৎনরে হায়না মীয়াম্না লৌফম থোক্তব্রা অমদি মদু থিংলোইদ্রা? মরমদি কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী ঈহৌ অদুসু মতৌ অসিগুম্না মীয়াম তানরমদনা হেক্তা লাউথোক্লকপদগী থোকখিবনি।

মসিগী মখা তারকপদা হৌখিবা ওক্টোবর ১দা পাউচেশিংদা য়াওনরকখিবা দেকান ক্রোনিকল অমদি এসিয়ন এজগী মিদিয়া রিপোর্টতা ইন্দিয়াগী নাগা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন্দা অরুনাচলদা ওটোনোমস নাগা রিজন অনী, মণিপুরদা অমা লৈহল্লগনি হায়না ফোঙদোক্লকখিবা অসিনা চুল্লকপা তারবদি মণিপুর মীয়াম্না হঞ্জিন-হঞ্জিন্না য়ারোই হায়না চহী ১৭ অসিদা লাউদুনা লাকখিবা অদুগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা এন এস সী এন (আই-এম) হায়বা লালহৌলূপ অমখক থেম্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী মীচম লাক্ষ ২৮সিবু করিসু লৈতনা খনবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। নাকল অমদা মখোয়গী ৱারোইশিন অসি লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কনি হায়না লৈরিবা লোক সভাগী ইলেক্সন অসিগী মমাঙদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি হায়না হায়রিবনি।

মরম অসিনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অরোইবা ৱারোইশিন লাউথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মণিপুর মীয়াম্না অপূনবা মণিপুর অমগীদমক্তা অচেৎপা ৱারেপ-ফিরেপ অমা লাউথোক্তুনা থম্বা অমদি মসিদা শিংনরক্তনবা ৱাফম থমহৌদবা য়াদবগী তঙাইফদবা অদু লৈবদগী ওক্টোবর মাস রেল্লি ২০১৮ অসি শিল্লকপনি অমদি মসিগী মতুংদা অতম্নর্না শিংনরকপা তারবদি মণিপুর মীয়াম্বু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌশাদে হায়না লেপমিন্নগদবনি হায়না ওর্গেনাইজিং কম্মিট ওক্টোবর মাস রেল্লি ২০১৮না লৈপাক মীয়ামদা থমজরি। হায়রিবা ফীভমশিং অসিদনি ঙসিগী মীরোলনা মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক্না ইশা-ইশাগী অচিনবা থাদোক্লদুনা লৈপাক কন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে অসিদা হুপ্তুনা শরুক য়ামিন্নদুনা লৈপাক্কী ফীরেপ তুংলমচৎকীদমক লেপমিন্ননবা শরুক য়ামিন্নহৌদবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা পাউজেল অসি পীজরি।

**ইমা লৈপাক্লা য়াইফরে...**

**লৈপাক লৈত্রবদা লৈপাক মচা লৈখিগদ্রা...?**

*পব্লিসিটি এন্দ ইনভাইটেসন সব-কম্মিটি*
*ওর্গেনাইজিং কম্মিটি ওক্টোবর মাস রেল্লি ২০১৮*
*য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮২

১। মৈতৈনা বিষ্ণু লাৎপা হৌখিবসি মৈদিংঙু ক্যাম্বগী সনা হাক্তক্তগী হৌখি হায়না পুৱারীনা হায়রি।
(ক) বিষ্ণুগী মুর্ত্তিদু পীরকখিবা পোং নিংথৌদুগী মমিংদু হায়য়ু।
(খ) বিষ্ণুগী মুর্ত্তিদু মফম কদায়দা ইহান হান্না লাৎখিবগে?

২। "খোঞ্জেলসি তাবদা কাউখ্রবা অৱা'না/নীংশিংহল্লে ঐগী পূক্নিংদা।" ৱাহৈশিংসি কবি কমলনা হায়রম্বনি। মানা তারিবসি কনাগী খোঞ্জেলনো?

৩। "নোংথাং মৈরা শাদোং ওইনা/পাউজেঞ্জবা মালংপান্দা/লোইদাম কুমশিং কুমগারক্লে।" ঈশৈ ময়েক অসি এ আই আর ইম্ফালগী চহী ৪০শুরকপদা শকখিবনি। শৈরেংবদু কনানো হায়য়ু।

৪। "নুপীসে মপোক ময়িদি খরা কনবা তাই/ব্রহ্মানী লাইকোসি কা হায়দু থোকঅমগদ্রা খল্লিনে ইনম্মা।" পরেংশিং অসিনা 'কংলবা সনারৈ ময়োম' কৌবা উপন্যাস অমদগীনি। অইবীদু কনানো হায়য়ু।

৫। "ঐদি ইচম চম্বা মীচম্নি/ঐগী পুন্সি ৱারীনা থোইদোকপা ৱাহন্থোক অমা কনাদসু পীবা ঙমগনি থাজদে।" ৱাফম অসিনা মশানা মশাগী পুন্সি ৱারী ইজরম্বা অইবা অমনা লাইরিক্কী ৱাহৌদোক ওইনা ইরম্বনি। মহাক অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা  খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই

